হান্নগী সোক্কর ষ্টার 'কিং জোজ' ৱিহনা লাইবেরিয়াগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাক্লে

মোনরোভিয়া, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : লাইবেরিয়াগী প্রসিদেন্ট খনবগী ফাইনেল ইলেক্সনদা হান্নগী সোক্কর ষ্টার জোজ ৱিহনা মায় পাকখ্রে। মহাক্না মথং থাদা হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট ইলেন জোন্সন সরলিফকী মহুৎ শিল্লগনি। মদু চহী ৭০ হেনবগী মনুংদা লৈবাক অদুগী অহানবা ডেমোক্রেটিক ট্রান্সিসন ওইরগনি।

ঙরাং কেপিটেল মোনরোভিয়াদা নেসনল ইলেক্সন কম্মিসনগী চেয়রমেন জেরোম কোর্কোয়াহনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখি মদুদি, ভোট মশিং চাদা ৯৮.১ মশিং থীবা লোইবদা ৱিহনা চাদা ৬১.৫ ফংদুনা মাঙজিল থাখি। ভাইস প্রসিদেন্ট জোসেফ রোকাইয়ানা চাদা ৩৮.৫ ফংখি।

মোনরোভিয়া সিটিগী চিদাইদা লৈবা মহাক্কী পার্টিগী হেদক্কার্টর্সতা ৱিহনা মমিৎতা মপি শিন্থরদুনা বেলকোনি অমদগী মহাক্কী সপোর্টরশিংদা মখূৎ হাইদুনা হরাও তয়াম্বা উৎখি। মখাদা নহা ওইরিবা মীওই চা কয়ানা হরাও তয়াম্বা উৎলদুনা হিপকো ডান্সকী লাইভ পর্ফোমেন্স উৎখি।

'জোজ ৱিহনা মায় পাকপসি লৈবাক অপুম্বগী মায় পাকপনি' হায়না মশাগী চহী ৪৭ শুরবা রান্দল জার্কপাহ কৌবা এঞ্জিনিয়র অমনা পিক্লিবা মচানুপাগা লোয়ননা লম্বীদা ময়ূম পাংনা মখোঙনা চৎলদুনা ফোঙদোকখি। যাচংবগী মতমদুদা কার হোর্ন মখোলশিং অমসুং হরাও তয়াম্বা ফোংদোকপগী অহৌবা খোঞ্জেলশিংনা নিল খোংখি।

'নহাক্না মতম খরা নশা ঙল্লক্ত্রবদি হিদাক লাংথক মতিক চানা থারক্কনি। মদুমক্কি ঐঙোন্দা হৌজিক ফাওরিবসি। মহাক ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা য়াম্না ফগনি। মহাক নিংথৌ জোজনি।'

জোজ ৱিহ মোনরোভিয়াগী ক্লুবা টাউন স্লমদা চাউরকখি অমসুং ফিফা ৱর্ল্ড প্লেয়র ওফ দ য়র ফংবা ঙম্বা অমতা ঙাইরবা অফ্রিকান ওইরকখি। মহাক এ সী মিলান, পেরিস সেন্ট জমাইন অমসুং চেলসিগীদমক শান্নখি।

ময়ূম লৈবাক্তা মীয়াম্না পান্নরবা সোক্কর ষ্টার অমা ওইনা মমাঙদা কুমজা ২০০৫ দা প্রসিদেন্টকী মীখলগী মীরেপ অমা ওইবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা রাউন্দ মায় পাকখি অমসুং অনীশুবা রাউন্দদা মহাক জোন্সন সরলীফকা পানবদা মায়থীখি। হৌজিক মহাক্না সরলিফকী মহুৎ শিল্লগনি।

অৱা-অনংদগী হৌরক্লগা অৱাংবা থাক্কী মীশক অমা ওইরকখিবা মহাকপু মীয়াম্না থাগৎনখি, অমরোমদা চহী ১২ চুপ্পা লৈঙাক্লকখিবা জোন্সন সরলিফকী মরমদা মীয়াম্না পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লখি। মীয়াম্না সরলিফপু করপসন মুখৎপা ঙমদবা নৎত্রগা মতম চুপ্পাদা লাইরবা কোকহনবা ঙমদবগীদমক্তা ক্রিটিসাইজ তৌনখি।

রসিয়ানা মীখলদা খূৎ থিংজিনখি হায়বগী মতাংদা থিজিনবদা য়ু এসপু য়াম্না ফত্তনা উহল্লে : ট্রম্প

ৱাশিংটন, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : য়ু এসকী মীখলদা রসিয়ানা খূৎ থিংজিনখি হায়বগী মতাংদা থিজিনবনা লৈবাক অসিবু য়াম্না ফত্তনা উহল্লে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাজরি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হায়রি।

শগোলশেন নুমিৎতা পাউচে অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ট্রম্পনা হায়খি, স্পেসল কাউন্সেল রোবর্ট ম্যুলরনা মহাকপু ফজবা মওংদা ট্রিট তৌগনি হায়না মহাক্না থাজে। মীৎয়েং অসি হন্দক্তা রিপব্লিকানশিংনা ম্যুলরগী ক্রেদিবিলিটিদা এটেক তৌখিবগা চান্নদ্রি হায়রি। ট্রম্পকী মায়োক্তা লৈরিবা য়ানিংদবা কয়াগী মরমদা থিজিন্নবা অনৌবা ইন্দিপেন্দেন্ট প্রোসিক্যুটর অমা হাপ্পবা রিপব্লিকানশিংনা তকশিনখিবনি।

'মসিনা লৈবাক অসিবু ফত্তনা উহল্লে অমসুং লৈবাক অসিবু ফত্তবা পোজিসন অমদা লৈহল্লে' হায়না ট্রম্পনা টাইমসতা ফোঙদোকখি। 'মরম অদুনা মসিবু য়াম্না থুনা লোইশিনহনবনা লৈবাক অসিগী ওইনা হেন্না ফবা ওইগনি।'

প্রসিদেন্টনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মরমদা মঙোন্দা নুংনাংবা অমত্তা লৈতে। মহাক্কী লোয়রশিংনা মঙোন্দা মদু থেঙ্কসগিভিংগা লোয়ননা লোইশিনগনি মরমদি মীপূম খুদিংমক্না রসিয়নশিংনা মীখলদা খূৎ থিংজিনখিদে হায়বসি খঙই হায়খি।

'রসিয়াগা মান্নবা নৎত্রগা মখোয়না খূৎ থিংজিনখিবগী মওং অমত্তা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মহাক ফজবা মওংদা থবক তৌগনি হায়না ঐহাক্না থাজে' হায়না ট্রম্পনা ম্যুলরগী মরমদা হায়খি।

মরাল শীবা ৱাফমশিংদু ডেমোক্রেটশিংনা মীখলদা মায়থীবা নংবদগী পুথোরকখিবা নমথাক অমসুং তাইনফম অমনি হায়না মহাক্না হজ্ঞিন হজ্ঞিন্না ফোংদোকখি। ট্রম্পনা মশামক হান্নগী কেম্পেন চেয়রমেন পোল মানাফোর্টতগীসু লাপথোকখি। ইনভেষ্টিগেসন অদুদগী লাকপা অহানবা লিগল এক্সনদা মানাফোর্টপু হৌখিবা ওক্টোবরদা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখি।

মহাক ঐহাক্কীদমক্তা থা অহুম মখায় থবক তৌখি হায়না ট্রম্পনা ন্যু য়োর্ক টাইমসতা ফোঙদোকখি। মানাফোর্টকা জোন মেককেইন অমসুং রোনাল্ড রিগান য়াওনা অতৈ রিপব্লিকানশিংগা শম্নখিবগী মতাংদসু মহাক্না পনখি।

পাউচে অদুগী মতুং ইন্না, এটোর্নি জেনরেল জেফ সেসন্সনা প্রোব অদুবু মশামক্না য়েংশিন্নিংদবা ফোঙদোকখিবসি য়াম্না ফত্তে, লোয়েল্টিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লুদ্রবসু ৱারাক ওবামাগী অহানবা এটোর্নি জেনরেল ইরিক হোল্ডর জুনিয়রনা মহাকপু মপূং ফানা প্রোটেক্সন পীখি হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

ফিলিপিন্সতা পুলিস ওফিসর ১১ মথৌ তৌহনখিদ্রে

মনিলা, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : ঙরাং অথেংবদা শোয়বদগী ভেহিকল অমদা নোংমৈ কাপ্পদা পেসেঞ্জর অনী শিহনখিবগা মরী লৈননা ফিলিপিন্সকী পুলিস ওফিসর ১০ মথৌ তৌহনদ্রে হায়না কেপিটেলগী পুলিস চীফনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমসু চথনবা ওর্দর তৌখ্রে।

মেট্রো মনিলাগী টোপ ওফিসর ওস্কার অলবায়ালদেনা থৌদোক্তুগী মতাংদা হায়, হান্না নুমিদাংদুদা নোংমৈনা কাপখিবা নুপী অমা য়াওনা মীওই তরেৎ পুখিবা ভেহিকল অদু হোস্পিটালদা চৎপদা পুলিসনা মদু নুপীদুগী এটেক্করনা থৌরকপা মানবদগী নোংমৈনা কাপখিবনি।

অলবায়ালদেনা হায়খি, গ্রেটর মনিলাগী শরুক অমা ওইরিবা মন্দোলুয়োগ সিটিদগী পুলিস ওফিসরশিংদু পাউ লান্না পীশিল্লম্বা য়াই, মরমদি মখোয়দা ভিলেজ ওফিসলশিংনা ভেহিকল অদুগী পেসেঞ্জরশিংদু খূৎলায় পায় হায়না তমশিনখি।

মীদিয়া ব্রীফিং অমদা অলবায়ালদেনা পুলিস কাঙবু অদুদা মপূং ফানা মরাল থংজিনবদি ঙমদে হায়খি।

অলবায়ালদেনা ইনভেষ্টিগেসন চথরিঙৈগী ওইনা থৌদোক্তুগা মরী লৈননা মান্দালয়োং পুলিসকী চীফসু সসপেন্দ তৌথি। 'মসিদা ঐখোয়না লোৎপা অমত্তা লৈতে। পি ও পি খোঙ্গাওনরম্বগী থৌওং চথরম্বা য়াবগী ফিভমসু য়েংশিনখি' হায়না মহাক্না পুলিস ওপরেসনল প্রসিজর্স (পি ও পি) গী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি।

এন্টি-নার্কোটিক্স ওপরেসনশিংদা উবা ফংখিবা মখোয়গী থৌওং-থৌদৌশিংগা মী লৈননা ফিলিপিন্স পুলিস হৌজিক অকনবা স্ক্রুটিনি মায়োক্লরিনি। ওপিনিয়ন সর্ভে কয়ানা মীওই ৪০০ রোম হাৎখিবা ওপরেসনশিংগী মতাংদা পুলিসনা ফোঙদোক্লিবশিংদা থাজবা নেম্বগী ফিভম উৎখি। হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিং অমসুং পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিংনা হায়, দ্রগ শীজিন্নবশিং অমসুং পিক্না য়োঞ্জবা কয়া পাত্তক্লনা হাৎখ্রে। তৌইগুম্বসুং পুলিসনদি মখোয় লোইনমক কন্না অথিংবা পীরকখিবা দ্রগ দীলর ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

'পর্ভেজ মুশারফ লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা মীশকনি'

লাহোর, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : পাকিস্তানগী মফম তাখ্বা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা ঙসি হান্নগী মিলিটরি ডিক্টেটর পর্ভেজ মুশারফপু 'অচৌবা মীকিথী' অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাকপু লোই চৎফমদগী পুরক্তুনা মহাক্না তৌখিবা ক্রাইমশিংগীদমক ৱায়েল চথনবা লৈবাক অদুগী জুদিসিয়রিদা তকশিনখ্রে।

কুমজা ২০০৭ কী নবেম্বরদা ইমরজেন্সি থমখিবগী অমসুং জজ কয়াবু ফাজিনখিবা অমসুং মখোয়গী পৱার কয়া লৌথোকখিবগীদমক্তা মুশারফ হৌজিক পাকিস্তানদা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবগী মরালশিং মায়োক্লরিবনি। করিগুম্বা কনভিক্ট তৌরবদি মহাক শিবগী চৈরাক ফংবা য়াই হায়রি।

কুমজা ১৯৯৯ দা মীশি-মীনা থোকহনখিদবা কু অমা চথদুনা পৱার পায়রকখিবা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা মুশারফ হৌখিবা চহীদা অনা-লায়েংগী মীংদা পাকিস্তান থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখিবদগী দুবাইদা লৈরকখি।

হৌজিক চহী ৬৮ শুরক্লবা শরিফনা মুশারফপু অচৌবা মীকিথী অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা ডিমান্দ তৌখি।

ন্যু য়োর্কতা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং মৈ চাকপদা চহী ১ রোমগী অঙাং ১ য়াওনা মীওই ১২ শিরে

ন্যু য়োর্ক, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : ঙরাং নুমিদাং ন্যু য়োর্ক সিটিগী ব্রোনস্কতা লৈবা মথোল মঙাগী এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমা মৈ চাকপদা চহী অমরোমগী অঙাং অমা য়াওনা মীওই ১২ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া ফিভম লুনা অশোক-অপন নংখ্রে। ন্যু য়োর্ক সিটিগী মেয়রগী মতুং ইন্না খোঙজেল য়াঙনা থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোক অদু নুমিদাং পুং ৭ তারমদাইদা বিল্ডিং অদুগী অহানবা ফ্লোরদগী হৌরগা বিল্ডিং অদুগী অয়াম্বা শরুক য়াম্না থুনা চাকখি।

ইনভেষ্টিগেটেরশিংনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা মৈ চাকপদুগী মরম থিজিনবা হৌখি। মদু য়ামদ্রবদা চহী ২৫ গী মনুংদা থোকপা সিটি অদুগী খ্বাইদগী শাথীবা মৈহৌ-লাংপোক ওইখি। মেয়র বিল দে ব্লাসিওনা বিল্ডিং অদুগী মপানদা ব্রীফিং অমদা ভিক্টিমশিংদুগী মনুংদা চহী অমরোমগী পিক্লিবা অঙাং অমা য়াওই হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, অতৈ মীওই কয়াসু শিবা য়াবগী ফিভম লৈখি।

ফায়র কম্মিস্নর দেনিএল নিগ্রোনা মৈ চাকপদুদা শিরিবা মী মশিংদা য়েংলগা মদু পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মৈহৌ-লাংপোক্কি হায়না ফোঙদোকখি।

নুংশিজরবা ইমুংগী মীওইশিং শিবা, নাবা নংলবা মীওইশিংগী অৱাবদা ঐখোয়সু শরুক য়ারি হায়না নিগ্রোনা মখা তাখি।

মৈ চাক্লিবা মথোল মঙাগী বিল্ডিং অদু ব্রোনস্ক জুগী গ্রাউন্দসতগী ব্লোক অমরোমদমক লাপ্পা লৈ। পুং ৭ তারমদাইদা অহানবা ফ্লোরদগী মৈ চাকপা হৌরগা য়াম্না থুনা বিল্ডিংদুগী অয়াম্বা শরুক মৈনা তুম্না চাকখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মৈহৌ-লাংপোক থোক্লিবা বিল্ডিং অদুদা তিন্নবা মীশক অমা লৈবা নৈবরহুদ অমগী বোর্জ গোঞ্জালিজ কৌবা মীওই অমনা মহাক মচা মঙাগা লোয়ননা নাম্থোকহৌবা অতোপ্পা রেজিদেন্ট অমগা লোয়ননা বিল্ডিং অদুদগী নাম্থোকপা ঙমহৌখি। বিল্ডিং অদুগী মথক থংবা ফ্লোর খরা ফ্লোর খরগী থোংনাওশিং কায়খি অমসুং মৈদু অহানবা ফ্লোরদগী হৌরগা য়াম্না থুনা মথক্লোমদা শন্দোকখি। চহী অমরোমদগী চহী ৫০ ফাওবগী মনুংগী লেঙ্গাশিং ওইবা মীওইশিং এপার্টমেন্ট অদুগী তোঙান-তোঙানবা ফ্লোরশিংদা শিরমখি হায়না দেনিএল নিগ্রোনা ফোঙদোকখি।

কেবল ন্যুজ ষ্টেসন এন ৱাই এগী মতুং ইন্না অশিবশিংদুগী মনুংদা অনীদি বাথটব অমদা লৈরমখি। 'মীশিংনা মথ্বায় কনবীনবা কন্না কপলাউ-খোংনবদগী ঐখোয়না মৈ চাকপদু খঙলকখিবনি' হায়না আইৱিটনেস কিমবর্লি ৱিলকিন্সননা দব্লিয়ু সী বি এস - টি ভিদা ফোঙদোকখি। সিটিগী রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না, বিল্ডিং অদু এলিভেটর য়াওদে। বিল্ডিং অদুগী মমায়দা ফায়র ইস্কেপশিং হাপ্পা উখি।

ঙরাংগী মৈহৌ-লাংপোক্কী মমাঙ কুমজা ২০০৭ তা ন্যু য়োর্ক সিটিগী খ্বাইদগী শাথীবা মৈহৌ-লাংপোকশিংগী মনুংদা অমা থোকখি। স্পেস হিটর অমনা মৈ হৌহনবদগী থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোক অদুদা অঙাং মাপন অমসুং মপূং-মরৈ ফারবা মীওই অমা শিখি।

টর্কি, রসিয়ানা এস-৪০০ মিসাইলশিং সপ্লাই তৌনবগী দীল সাইন তৌনখ্রে

অঙ্কারা, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : মোস্কোনা অঙ্কারাদা এস-৪০০ সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সপ্লাই তৌনবগী একোর্দ অমা টর্কি অমসুং রসিয়ানা সাইন তৌনখ্রে হায়না ঙসি সী এন এন টর্ক অমসুং অতৈ মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি। রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না, লৈবাক অনীনা চহী অমা হেন্না থবক তৌরকখিবা দীল অমা মপূং ফাহল্লগনি হায়রি।

দোলর বিলিয়ন ২.৫ রোমগী ওইবা এস-৪০০ গী দীল অদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু নুংনাংবা পোকহনখি। টর্কিনা নাটোগী মেম্বর অমা ওইনা লৈবা অমসুং সিষ্টেম অদু নাটোগী মিলিটরি আর্কিটেকচরদা ইন্টিগ্রেট তৌবা য়ারোইদবনা দীল অদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু নুংঙাইহনদ্রিবনি।

মসি ময়ূমদা অমসুং বোর্দর ৱাংমা লান্না সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী কনফ্লিক্টশিংদা কর্দিশ অমসুং ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী থ্রেটশিং মায়োক্লরিবা অঙ্কারানা মসিগী ডিফেন্স কেপবিলিটিশিং হেনগৎহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং পরিংদা খ্বাইদগী নৌবনি। একোর্দ অদুগী অকুপ্পশিং ফংখিদে অমসুং খুদক্তা কম্মেন্ট লৌবা য়াবা ওফিসলশিংসু ফংখিদে।

তৌইগুম্বসুং রসিয়ন ষ্টেট কোঙ্গলোমারেট রোষ্টেককী মকোক সর্গি চেমেজোভনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কেম্মেসেন্ট দেলিদা হায়খি মদুদি দীল অদুগী মখাদা রসিয়ানা টর্কিদা এস-৪০০ গী বেট্টরি মরি সপ্লাই তৌরগনি। মোস্কোনা কুমজা ২০২০ গী মার্চতা অহানবা ডেলিভরিশিং হৌগনি। মসিগা লোয়ননা টর্কিনা এদভান্স এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম ফংবা অহানবা নাটোগী মেম্বর ওইরগনি।

ইজিপ্টকী কোপটিক চর্চতা চথখিবা এটেকতা পুলিস ওফিসর অমা য়াওনা মীওই ৯ শিরে

কাইরো, ডিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : ঙসি ইজিপ্টকী কেপিটেল কাইরোগী খাদা লৈবা চর্চ অমদা মশক খঙদবা মীওই অমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চথখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই মাপন শিখ্রে। মদু লৈবাক অদুগী খৃষ্টিয়ন মাইনোরিটিদা চথবা খ্বাইদগী নৌবা এটেকনি হায়না লৌনরি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোকস্মেন খালেদ মেগাহেদনা ষ্টেট টেলিভিজনদা হায়খি মদুদি, মীওই মাপন হাৎলবা মতুং অমসুং পুলিস ওফিসর য়াওনা অতৈ কয়া শোকহনখিবা মতুংদা গনমেন অদু পুলিসনা হাৎখি।

তৌইগুম্বসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনদি পুলিসতা এটেক কয়া চথবদা চেন্নবদগী ফানবা থিরকখিবা জিহাদিষ্ট এটেক্কর অদু পুলিসনা কাপ্পদা শোকখি অমসুং ফাখি।

জিহাদিষ্ট অদু এসোল্ট রাইফল অমা, মরূ রাউন্দ ১৫০ অমসুং চর্চ অদুদা পোকখায়গদবা বোম অমগা পায়রমখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি মদুদি, চর্চতুদা চঙশিনদ্রিঙৈগী মমাঙদা জিহাদিষ্ট অদুনা ষ্টোর অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই অনী হাৎখি। চর্চতনা মহাক্না ওফিসর অমা য়াওনা মীওই তরেৎ হাৎখি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা সেলফোন ফুটেজনা মশাদা অচৌবা এম্ম্যুনিসন ভেষ্ট য়াওবা মকোই খাকপা গনমেন অদু লম্বী অমদা মখোঙ-মখূৎ শল্লগা ৱাখল ইতা-তাদনা তাদুনা লৈবা অমসুং মীয়াম্না মহাক্কী মখূৎ ফাজিনবা অমসুং মদুগী তুংদা হেন্দকপ চনবগী শক্তমশিং উৎখি।

পুলিসনা তুংদা থৌদোক থোকফমদু মী চঙহন্দনা কোইশিল্লগা থমখি। মীয়াম্না চর্চকী অকোইবদা পূনখিবগা লোয়ননা ফোরেনসিক টিমনা এরিয়া অদুদা থি-হুমখি। চর্চকী মমাঙদা লৈবা গার্দকী পোষ্ট অমদা নংশিল্লবা ঈখেং তাবসু উখি।

হৌখিবা চহী অসিদা ইজিপ্টকী ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী এফিলিয়েটনা চর্চতা বোম পোকখায়হন্দুনা অমসুং নোংমৈ কাপ্পুনা খৃষ্টিয়ন দজন কয়া হাৎখি অমসুং মখা তানা মাইনোরিটি গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথগনি হায়না কিহনখি।

ইরাই নুমিৎকী এটেক অসি জান্যুৱারি ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা কোপটিক খৃষ্টিয়নগী খৃষ্টমাসকী মাঙওইননা চথখিবনি। ইজিপ্টকী কোপটিক খৃষ্টিয়নশিংগী মশিং অসি লৈবাক অদুগী অপূনবা মীওই মিলিয়ন ৯৩ গী চাদা ১০ রোমনি। মখোয় লমদম অদুদা খ্বাইদগী চাউবা লাইনিং-লাইশোনগী মাইনোরিটি কাঙলূপ ওইরি।

হৌখিবা ২০১৪ গী ডিসেম্বরদা কাইরোগী চর্চ অমদা চথখিবা সুইসাইদ বোমিং অমসুং মদুগী তুংদা হৌখিবা এপ্রিলদা কেপিটেলগী অৱাংদা লৈবা চর্চ অনীদা চথখিবা বোমিংশিং ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 29th December, 2017

No. 2/56/96-HSC/4031: In continuation of this office Notifications of even number dated 8/11/2017, it is, hereby, informed to all concerned that the last date of submission of filled in Examination Forms for the Class XI and the Higher Secondary Examinations, 2018 with a fine of Rs. 400/- per candidate are extended up to the 10th January, 2018 and 11th January, 2018 respectively in the interest of the students.

All the concerned Heads of the Institutions are, therefore, requested to do the needful from their ends.

Sd/- **Dr. Maisnam Bidyasagar**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/4319/30

[illegible]/WANTED URGENTLY

চহী ৩৫ গী মথক ওইবা য়ুমদা লৈরগা অঙাং শেন্নবা য়াবা নুপী অমা পামজৈ। কনা লৈজদ্রবা মীওইনা হেন্না পামজৈ।

Contact : ☎ 8575006428
Laipham Khunou, Chingmeirong

HL-P/302/30&31

[illegible]

ওজা কবিরাজ পুন্সি শাংনা হিংবিখো

বিষ্ণুপুরদা লৈবী পি. অশালতা দেবী ঐগী খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা, পোম্বা, মচুম তাবা অমদি চাবা থকপা য়াদবদগী দোক্তর অমদি মাইবা কয়াগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদা ফবা ঙমদনা লৈরকখি। অদুবু নোংমা বেঙ্কতা থবক তৌবা নুপা অমনা হায়রকপদগী ওজা **কবিরাজ অব্দুল হক** মোবাইল নম্বর **8014623756** ৱাঙ্গাই ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী অৱাংদা চৎতুনা লায়েংলুবদগী নুমিৎ ১৫/২০ হিদাক চাবদগী ঐগী অনাবা ফরে। ওজা অসি পৃথিবীদা নুংশঙগীদমক্তা অতাংবনি। ওজাবু পুন্সিদা কাওজরোই।

থাগৎচরিবী : **P. Ashalata Devi**
Bishnupur

HL-P/4831/30

[illegible]/য়াইফরোল নিজবা

ইন্তরনেসনেল সলাই পুন্সিফমগী লাইফ মেম্বর ওইবিরম্বী, লোয়ননা তেখাও সংবি, কসার, অসাম অসি ওইননবা হোৎনবদা মতম সাংনা থৌদাং য়ারকখিবী **অরাম্বম ওংবী গুনবতি লৈম**-না হৌখিবা ৱাকচিংগী ৪ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা মপুগী খুয়া তানখিবা অমদি জিরি বাখাল লোয়সংগী ইরাৎ পিবা ওইরম্বতা নত্তনা সেলুংবা ফমসু পাইবিরম্বা লুপ অসিগী লাইফ মেম্বরসু ওইরম্বা **অসাংবম চা জাপান লুৱাং**-না হৌখিবা ৱাকচিংগী ৫ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা মপুগী কোন্দা তিনখিবদা ইন্তরনেসনেল সলাই পুন্সিফম, হেদ ক্বাতর, সলাইকোল লমসাংদা লিসাং সিৎনা চথরকপা নোংমাইজিং খুফম কাবা থৌরমগী ২০১৬ লক সুবা খুফম থৌরমদা লুপ অসিগী লেংবিরকখিবা পাথৌসিংনা, মপুগী কোন্দা তিনখ্রবা পাথৌসিংগী থৌৱাই মীরেলনা মপুগী কোন্দা চিক্না তিনখিনবা অমদি হেন্না ফবা অফবা, য়াইফবা মপোক অমদা অমুক পোল্লক্তুনা মতিং লৈবা ইনাৎকি অচংবা থৌমি ওইনা থৌদাং য়ারনবা অতিংকোক মরু সিদবগী মফমদা থৌনিজখি।

Sd/- Secretary
Phuruplakki Sanamahi Laining Amasung Punsiron
Khupham Thousinkon, Salaikon, Imphal

HL-P/304/30

[illegible]/IMCগী ৱার্দ নম্বর ৬ ওপন দিফিকেসন ফ্রি ওইরে লাউথোক্লগনি

উরিপোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ৬ কী এরিয়া ওপন দিফিকেসন ফ্রি ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। ৱার্দ অসিগী কোর্পোরেটর তৌৱাংবম ইন্দ্রজিৎ, দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা থোকপা চেরোলনা হায়, নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরবদি ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী চেয়রপর্সনদা ৱাকৎপা য়াগনি। করিগুম্বা ৱাকৎ অমত্তা লাক্ত্রবদি ওপন দিফিকেসন ফ্রি ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি হায়রি।

Sd/- T. Indrajit Singh
Ward No. 6

HL-P/299/30

[illegible]/ BANK PASSBOOK LOST

I have Lost my Bank Passbook Bearing Account No. 34523854184 issued by SBI, Kakching Branch, on the way to Kakching Mayai Leikai and Kakching Keithel. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Naorem Gangarani Devi**
Kakching Mayai Leikai, Yaikhom Pareng
☎ 7005936802

HL-B/4317/30

[illegible]/শেংদোকচবা

হৌখিবা দিসেম্বর তাং ২৫ দা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা শ্রী অথোকপম রঞ্জিৎ সিংহগী অপোকপীগী শ্রাদ্ধ কর্মগী সন্দেশ ওর্দর অদু থিনবা মতমদা গাড়ী য়াদবনা মরম ওইরগা থেংনা দেলিভরি তৌখিবা অমদি পেকেজিংনচিংবদা মপুগী অপাম্বগা খরা খেৎনখিবনচিংবনা মরম ওইরগা থোকহনখিবা খুদোংচাদবশিংগীদমক মখাদা সহি তৌজরিবা ঐনা মীয়ামদা ঙাকপীনবা হায়জরি।

শেংদোকচরিবা ঃ ***অরিবম তোম্বা শর্ম্মা***
মেগা কিচন, নহারুপ ময়ায় লৈকায়।

HL-P/295/29&30

[illegible]/নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নূঙগী লায়েংবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক চাবদগী ঐগী ইচানুপাগী ৯.৮ এম এম চাওবা ঈশিং মরীদা লৈবা নূঙ অদু তাখ্রে। অলট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা **লাইশ্রম সুধাকর**-বু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Thongam Hemabati Devi**
Taobungkhok Makha Leikai

HL-P/300/30

[illegible]/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, অমাঙথোংদা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাঙথোংদা শাবা ফহনবগী ওজাবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংময়াদা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, অমাঙথোংদা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাঙথোংদা য়াম্না শাবা, চাবা থকপদা হকচাংদা কান্নবা ইফং ফংদবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্নিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, হকচাং য়াম্না চোকথবা, মসলশিং চিকপা নাবা, কোক ঙাওবা, খ্বাঙ নাবা, তাং তাং চিকপানাবা তৌবা অদু অতোপ্পা কবিরাজ কয়া অমা চত্তুনা লায়েংজরুরে অদুবু কান্নবা ইরৈ লৈতবদগী মমৈদা ওজা **MV AZAD PHUSAM ☎** 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা **এম ভি অজাদ ফুসম**-বু মপোকসিমগী কাউজরোই অমদি মহাকপু পাউচেগী খুথাংদা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজা লায়েংফমদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal.
2. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar.
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9.

থাগৎচরিবী : **Miss Rabia**
Keirang

HL-P/241/30